# ইজবা তাবনি ইশাগী লাইবক ইশানা

চীংজাও খোন্না চাল্লকপা লম্মৈগুম মণিপুর শিনবা থুংনা চাল্লিবা মৈ অসিনা কাবক কাবক ঈংথরকপা, তমথীবা মওং অমদা কাপ্নরম্বা নোংমৈগী চাং খরা হন্থরকপা, মণিপুর লৈঙাক্লা ব্লাঙ্কেত বেন ওইনা ইন্টরনেট সর্ভিস অমসুং মোবাইল দেতা থিংজিল্লকখিবদু মণিপুর লৈঙাক্লা কোমথোকহল্লকখি। স্কুল-কোলেজ হাংলক্লে, শেল-থুম তানবগী বিজিনেস এক্টিভিটি হৌরক্লে, এবনোর্মেল ওইরবা মীয়ামগী পুন্সি, নোর্মেল লাইফ'তা হল্লক্লে... পাউ অসি কুকি কম্যুনিতি'দা খোয়শাউনহনবা পাউ অমনি। মখোয়না খৎনবা হৌদুনা মীতৈশিংবু কুকি তাবা লমশিংদগী হাৎপা-তূপ্পা তৌদুনা তান্থোরক্লে... অকক্লবা মতম থাদুনা তম্পাক লমদা (মীতৈ খুলশিংদা) লৈখিবা কুকি শিন্মী-মহৈরোয়-লল্লোন'মী- লৈঙাক্কী কর্ম্মচারি পূম্নমক চুড়াচান্দপুর নৎত্রগা কাংপোকপীদা হল্লক্লবা খঙহন্দুনা কৌশিল্লগা লাউথোরকখি 'ঐখোয় মীতৈগা লৈমিন্নবা ঙম্লরোই, মীতৈশিংগী এদমিনিষ্ট্রেসন মখাদা লৈবা নত্তবা কুকশিংতনা এদমিনিষ্ট্রেসন তৌজবা য়ুনিট অমা লিংখৎত্রিবফাও মীতৈশিংগী মথক্তা লান লেপ্তুনা চথ্থগনি। খূৎলায় পায়দবা মীতৈ খুঞ্জাশিংদা বোম-তোপ-নোংমৈ লেপ্তুনা কাপশিন, ময়ূম মৈ থাদুনা মেক্সিমম দেমেজ থোকহন্দুনা লান্দারুবা, খূৎ হল্লকপা ঙল্লোই খল্লুবদুনা হল্লকপ'সিদি মতা'মনি লায়না লৌবা য়াররোই খঙলক্তুন'মুক হায়রকই - কুকিশিংতগী ওইবা চীফ সেক্রেটরি, দি জি পি তোখায়না থমগদবনি... মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী তোখায়বা সেন্টর চুড়াচান্দপুরদা লিংগদবনি... কুকি মেদিকেল ষ্টুদেন্টশিং, ইম্ফালগী মেদিকেল কোলেজ নত্তবা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী মেদিকেল কোলেজশিংদা তমহন্নবা এরেঞ্জমেন্ট তৌগদবনি'... অসিনচিংবা। মোদি-শাহ অনীসিবু মখোয়গী ঙাই-শেন, হায়রিমখৈ য়ারক্কদবা মশেন-মবাই ওইনা উরুবরা?

মীরমদগী খুল-লাল্লকপা, মচা-মশুগী এদ্যুকেসনগীদমক নুংনাংদবা মখোয়দু নত্তবা, মীতৈ য়ূমলোন্নবশিংগী পুকচেল খঙবা হাওমী-কুকি খরদুদি মখোয়গী অমম্বা হয়েংদুগীদমক নুংনাংই। মখোয়দুনা শাউরল্লবা, চিন-কুকি চেনফম লৈরোই হায়বদুসু খঙই খুল-লাল্লকপা-কুকিশিং। তম্পাক লমদা ঈংবা-চিকপা-পুন্সি অমা মীতৈশিংনা লেল্লকপা, কুকিশিংনা খোয়শাওনৈ। মৈ চাল্লিবা মণিপুর 'নোর্মেলসি' হঞ্জিল্লকপা হৌরে-মণিপুর লৈঙাক্লা থাজরদুনা মোবাইল-দেটা-সর্ভিস অমসুং ইন্টরনেট সর্ভিস হাংদোরকপগী খুদোংচাবসি লৌরগা মীতৈ-খুন্নাই করম্না অমুক কাং খোং চাইহনসিগে? ফত্ত-লৌশিং পুথোকপা অমদি শীজিন্নবদা মালেমদা শীংথানরিবা 'কুকি ফূরুপ'নি। অরান অহুই য়াদবা, লীংজেল খাবা মীতৈনি- হায়বসিদি কুইনা লৈমিন্নরকপগী চিনফা পুরবা কুকিনি। কুকি নুপী অনীবু মশাদা মফি থোংহন্দ' মীয়াম মাঙদা খুনগোয়নখিবা হাক্তক্তা, নত্তবা লীচৎ চৎখিদে, ইকায়খুম্ননা মফি-মরোল শেৎচীনবী' তেক্ত-কায়দা থাদোকপীখি খঙলবসু, অরানবা তৌরুবা মীতৈ নহাশিংগী ময়ূম মৈ থাদোকখিবী 'মৈতৈ-চনু' নিঙোলনি। লীংজেল খাবী চনুশিং, লাকচবা য়াদবা পিবাশিংবু খোয়রাঙ খোয়শাউনহন্নবা পাম্বে অমা থিরকখি। জুলাই ৬, ২০২৩দগী মফম খঙদনা মাঙখিবা, কুকিনা হাৎখ্রে হায়বদুসু খঙলবা অঙাং অনীগী কেস প্রমান লৈতবগী ফুম্বংননা লৈরিবা মীতৈশিংবু, লাইরেন মখোই'দা অতূম্বা চৈনা থিনবগুম্না থোল্লবা চপ চাবা তানফমনি... খনখি, ফত্ত'-লৌশিং লৈর'সু লোজিক হায়বদু করিনো শকখঙদবা কুকিশিংনা। সোসল মীদিয়াদা চাইথোরকখি - হিজম লুৱাংবী এলিয়জ লিম্থোইঙম্বী অমসুং ফিজম হেমঞ্জিৎ অনীগী হিংলিঙৈ (পূন্না ফম্মিন্নরিঙৈ) গী অমসুং মকোক্কা মশাগা তোঙান তাহল্লবা হকচাং অনীগী ফোটো। জৌজাংতেক কুকি খুল'দা মখোয়না হাৎপগী চিংনবা হান্নদগী লৈরবা, লুৱাংবীগী মোবাইল ফোন'দা অতোপ্পা সিম-কার্দ হাপ্পগা ফোন তৌরকখিবা কুকিদুগী মমিংসু পুলিসনা খঙখ্রে হায়বদুসু খঙলবা... ইনভেষ্টিগেসনগী টীম্না মথীবোং পানমন্দবদগী মখোয়বু ফাবা ঙমদবনি খঙনা খঙনা, চেনবা য়াদ্রবা প্রমান ওইবা ফোটো থাদোরকপসিনা ঐখোয়দা পাউজেল অমা পী- 'ঐখোয়না নখোয়গী মরাল লৈতবা মহৈরোয় অনী হাত্তোক্লে, নমীৎ পেন্না য়েংজৌ, য়েংগে-নখোয়না করি তৌবা ঙম্বগে... কুকি-মীতৈ সেপরেসন লোইখ্রবনি, ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্ট'না লাউথোরক্কদবতা ঙাইরবা, কুকিগী লমদা নখোয়গী মীতৈ পুলিসনা করিমত্তা তৌবা ঙল্লোই... ঐখোয়না হাৎখ্রে, ইন্তেল্লিজেন্ট ওইখ্রবা মণিপুর ইন্তেল্লিজেন্স দিপার্টমেন্ট'না নহান্না করি তৌবা ঙমখিবগে, হৌজিকসু ঙল্লোই... নখোয় মশেল লাউনবা, অমগা অমগা ওনশিন্নদুনা খৎনবা, এম এল এ/মিনিষ্টরদা তাইনদুনা কাং-খোং চাইবদুনি ঐখোয়না য়েংননবা ঙাইরিবা... ঐখোয়গী পান্দম, চামদা মরিফু ফংখরে, করি অমুক ৱারুখিনি'...।

অপঙবা বুদ্ধি ওইবগী শাগৎলুবা মঙলান্দু কায়গদৌরে চিংনরমাল্লে - নহা মহৈরোয় কয়ানা লম্বী সড়ক্তা থোরকপা, উচিদই ওনবা হুইজাওগা নুমিৎ নীনি মূক্নরকপা, বি জে পি ওফিস, এম এল এগী য়ূমশিং-নহা অহল পূম্নমক্কী সোফ্ট-টার্গেট ওইরগনি চিংনরক, সী বি আইগী স্পেসল দাইরেক্টর মীহাৎ অসি থিজিন্নবা থারকপা কুকিশিংগী লান মমায় চুল্লিবা, ইন্দিজিনস নত্তবা ইন্দিজিনস কুকিশিংগী লীদর নত্তবা লীদরশিংনা শিল্লকই... 'মীতৈ মহৈরোয় অনী হাৎপগা মরী লৈননা খোঙলৈ থুনা সী বি আইনা লৌখৎলল্লিবা কেস অসিগী মায়োক্তা কুকি মীয়ামগী ৱাকৎ খোঙচৎ'।

সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন - লংলা লংজিন পুথোকপা ৱারবা কেস কয়াগী (মরু ওইনা ক্রিমিনেল কেসশিংগী) অচুম্বা লংজিন পুথোকপদা মমিং লৈরবা এজেন্সীনি। মীচং মীখায় নাইদনা থবক চথ্থরবা, মীহাৎপদু পুথোকপা/ফাবদা মতম চঙল'সু অশিবা হকচাংদু পুথোকপা/মোংফমনুংদই কোথোকপদি অরুবা থবক ওইরোই। অদুবু খঙদে, নেসনল মীদিয়া ফাওবা লৈদুনা মখোয়গীদমক ইহনবা ঙম্বা, য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্ট হাউস ওফ কম্মন্স অমদি য়ুনাইটেদ নেসন্স ফাওবা মাইনোরিটি কার্দ শীজিন্নদুনা চর্চশিংবু ইনফ্লুএন্স তৌহনবা ঙম্বা হুরানবা কুকি কম্যুনিতিনি - সী বি আই ওফিসরশিং অসিবুসু লৈবা ঙম্বা মখোয়গী শক্তি লৈবরা? য়েংবা তারি। থিজিনবগী থবক চথ্থরিবা কেস অমনি। কম্মেন্ট পীনবা রাইট লৈতে কনামত্তগী। অদুবু পাউ অমদি তায়... 'কুকি অমদি নাগাশিং পূন্না তামিন্নবা জৌজাংতেক খুঙ্গং অসিদা কাঙলূপ অনীমক্কী মীয়াম পূন্না লৌরাং শূমিন্নবদুদা, নোংমা জুলাই ৭/৮ অদুৱাইদা কুকিশিং অমত্তা লাক্তবদুদা নোংঙাল্লগা, ঙরাংদি কৈদৌরে হংনবদা ঙরাংদি মীতৈ নহা অনীখক হাত্তোল্লুবদগী লৈরোন চনবগী থবক য়াওরুবদুদা লাকপা ঙমদবনি খুল্লকখি হায়... অতোপ্পা পাউ অমদনা, নুপাদু হাৎল' মতুংদা নুপীদুসু হাৎননবা হোৎনরকপদা 'নুপীদুদি হাৎপীরুরনু থাদোকখ্রসি' হায়না খুঞ্জা অমনসু হায়খি হায়'...। কুইররোই সী বি আইগী রিপোর্ট'তা পূম্নমক থোরল্লগনি। অদুবু, চিংনবা অমদি - সী বি আই ওফিসরশিংগা লোয়নরিবা পুলিস টিম অদু চুড়াচান্দপুর পুলিস ওইরম্লবা, এজেন্সীসিদগী ঐখোয়না আশা তৌনীংঙাই শুকলৈ লৈতে। চুড়াচান্দপুর দি সী, এস পি পূম্নমক আই টি এল এফকী মখাদা লৈবনি। ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা করিমত্তা তৌবা ঙমদবা। আই টি এল এফ'কী অয়াবা য়াওদনা লৈঙাক্কী ওইবা ষ্টেটমেন্ট অমত্তা থোকপা ঙমদে হায়।

অতোপ্পা থাজনীংঙাই ওইবা পাউ অমনা - লুৱাংবী অমসুং হেমঞ্জিৎ, খুদোংথীনীংঙাই ওইবা (কুকিশিংগী) মফমদু ফাওদুনা চৎখিদনবা মণিপুর পুলিসকী মীওই খরনা কন্না খাম্বদু য়াদদুনা, হায়বা ইন্দনা চৎখিবনি, মখোয়না হায়বা ইল্লন্নবদি মখোয় শিরমদবসু য়াই। পাউসিনা অচুম্বা ওইরবদি, অঙাং অনীদু পুলিসনা হাৎপনি হায়বা করম' লানগনি। নৌরিবা নুপামচা অমগা নুপীমচা অমগা কন্না ঈরাং ফৎত্রিঙৈ, হাৎনরিঙৈ মতমদুদা অদুগুম্বা ফীভমদা চেননি-চোংনি হায়দুনা লাল্লবা, মখোয়বু ফাজিন্দুনা থল্লগা মমা-মপাদা পাউ পীবীবা পুলিসকী থৌদাং নত্তবরা?

নোংঙানবগা, অঙাং অনীদু মাঙখরে/হল্লক্তরে... মণিপুর শরা শল্লবা পাউ অমা ওইরকখরে। খুদোংথীবা লম্বীদুদা চৎখিগনু খামখিবা পুলিসমেন'দু মতম'দুদা কৈদৌ লৈখি? হায়বা ইন্দদুনা ঐখোয়না চঙবা ঙমদবা মফমদুদা চঙখ্রবনিনা, মচি অমদা শিরল্লনি, অশিবা হকচাং ফংলরোই, থিরুবইসু কান্নরোই খন্দুনা লৈথোকখিবরা? লৈঙাক-মপুসিনসু নুপামচাসিগী মমাদা হায়রকখি হায়'দাইনে... 'মীগী মখূৎ চনখ্রবা... লৈবাক্কী ঈরাংসিনসু 'সি য়ৌনা ফত্তবনা, ঐখোয়গী পাঙ্গল থোক্তবনি'...।

অসি য়ৌনা পাঙদবা, অসি য়ৌনা শোল্লবা লৈঙাকসিদগী করি অশানো তৌদৌরিবা ঐখোয়না! লৈবাক ঙাকপা হায়বসি মরৈপাক/মরমদমসিবু নুংশিবগী স্পিরিট অমা চঙই তঙাইফদনা। অদুগুম্বা স্পিরিত্তু মীতৈ এম এল এ নিফুসিদা অমত্তা য়াওদে হায়বদি হন্দক্কী তানফম অসিদা তাকথোকচরে ময়েক শেংনা। মখোয়দা অমুক হন্না লৈঙাক থৌদা শিন্নরগুমসি। মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা এসেমব্লিদা থাগৎলগুমসি। লৈবাক ঙাকপা নত্তবা লৈঙাকপগী মায়খুমদা শেল তানবা কাঙলূপনি - খঙদবা কনা লৈরিগে?

মহৈরোয় অনী কুকিশিংনা হাৎপনি, হৌদোঙগুম্বা কুকিশিংগী মফমদা মণিপুর পুলিস ঈশিংদা তারুবা উচি মচাগুম্বনি হায়বদু মীশি'সিগী অচুম্বা মপান থোরকপদগী ময়েক শেংলকপা, লৈঙাক্কী অশোনবদুগী খুদোংচাবা লৌরগা নৌরিবা মহৈরোয়শিংবু শা-ষণগুম ফূথরকপা... হৌজিক্তি ঐখোয় ইখৌ পোঙনা লাউবা য়ারে 'দিস গভর্ণমেন্ট সুদ গো'-লৈঙাক অসি মূথৎলগা তশেং তশেংনা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট'কা মায়োল্লরগদবনি। থা মঙা 'অয়ো-য়ো-ইবুংঙো' হায়দুনা হৌদোং লম্বোইবদুগী মমাঙদা কৃনখিবা পেবেৎ মচা লৈঙাকপা! ইনফ ইজ ইনফ-ওক্লে, পেল্লে হৌজিক্তি। থা মঙা কুকি মিলিটেন্ট -অসাম রাইফলস ফোর্স'কা মায়োল্লখিবা মীতৈ অথৌবশিংগনি। পি আর থমজিনহল্লগা নাখৈ শেংনা সিভিল ৱার শোল্লবগী পুংফম অদু য়ৌরক্লে। মোদিগা অমিটকনা পামখিবসু মদুনি। নূঙগী মুর্তি ঈরাৎপা, থৌদু নুংগা ৱারী শাবা - অদুমক্তি, মোদিগা ৱাখৈ-ৱারোল পুথোকমিন্ননবা হায়জরুবা।

মোদি'না/অমিট'না ৱাতেন্বীরগনি হায়বই ৱাখল থাদোক্লসি। দেল্লীদা মায় ওল্লগুমসি। ঐখোয়গী লাইবক ইজরসি ইশানা। ঐগী লাইবক লেপ্পীনবা 'বিধাতা' কৌবা লাই অমা নোংদোনথক্তা ফল্লগা লৈতে - ৱাফম অসি নীংশিংসি। ইশাগী লাইবক ইজবগী অহানবা লমায় অদুনি - লৈঙাক অসি ইখূৎমক্লা মূথৎপা, দেল্লী - লৈঙাক্কী মথক্তা 'মতেং পীদবা ঈহৌ' (নন-কো-ওপরেসন মুভমেন্ট) হৌদোকপা।

-*সোইবমচা ইন্দ্রকুমার*

# 'ঐখোয়গী কার - এম এন এস - ৫৮২৫' (# ৩)

ঐগী অপোকপা, মীয়াম্না আর কে সী এস হায়রগা খঙনবা লাইয়েকপা অসিনা আর্টস সোসাইটি মণিপুরগী চ্যেরমেন ওইরিঙৈগী ৱারীনি। ওজা টি ঐচ তোম্বীনা আর্টস সোসাইটি মণিপুরগী সেক্রেটরি ওই। ওজা সুন্দরামনা সোসাইটিগী ত্রেজরর ওইবরা কৈনো অমা তৌবনি। আর্টস সোসাইটি মণিপুরগী এক্টিভিটিজ য়াম্না তৌবা মতমনি। আর্টস, এগজিবিসন, সেমিনার, আর্ট কেম্প, অতৈ অতৈ এক্টিভিটিজ কয়া ললিৎ কলা একাদেমিগী মখাদা পাঙথোকপদগী সোসাইটি অসিবু শক খঙবীদুনা ললিৎ কলা একাদেমিগী রিজনেল ওফিস অমা ওইরিবা রাষ্ট্রিয় ললিৎ কলা একাদেমি কোলকটাগী রিজনেল সেক্রেটরি আর্টিষ্ট দদা ভিষ্ণু দাস অমসুং মাগী লোয়নবীদো মণিপুরদা অহানবা ওইনা আর্ট সোসাইটি মণিপুরগী ইন্সপেক্সন লাকখি। মতমদু কুমজা ১৯৮৪ অদুৱাইদা ওইতাইয়ে।

মখোয়না মণিপুরসি চীংগী লমনি অদুম খন্দুনা লাকপদু অদুম থাজৈ মরমদি এরোপ্লেনগী থোঙনাওদগী য়েংথদুনা য়েংবদা, ফিঙৌ শানা পাইরিবা লশিং মফোল মানবা লৈচিলশিংদুদগী হুৎতুনা য়েংথবদা উতি অশংবা মাল্লবা লোইনাইদ্রবা চীংশাংশিংদু উরুবদা। চীংগী লমনি অদুম খনবা তাবনি। এরোপ্লেন তারমদাইদা লোক্তাক্কী পাল্লবা ঈপাক্তু মখোয়না চীংথক্তা লৈবোই খনবজাৎনি অহানবদা। অতেনবা মতমগী ওইনা লাকপনিনা লোক্তাক য়েংবগী প্রোগ্রাম অমা শিনবীরে। অহানবদা মোইনা ঐবু অঙাং মচা ওইনা খনবজাৎনি। মতমদু ঐ চহী ২৭ শুরে। ঐগী মরমদা মোইনা



হংই ঐদি অচৌবা ফিল্ম পোষ্টর য়েকপগী স্পেসিএলিষ্টনি হায়রুবদা ঙকচখি। দেমো য়েংগে হায়দুনা ঐখোয়গী ষ্টুদিওদা ঐনা য়াম্না অথুবীদা ষ্টেলোনগী মমায় অমা য়েক্তুনা য়েংহল্লি। শীজিন্নরিবা মীদিয়মগী মতাংদা হংই। Water colour Base Gouache হায়বা মীদিয়মদুনি হায়। মদুদা মেটরিএলদি কদাইদগী লৈগে হংবদা, কোলকটাগী মমিং লৈরবা GC Laha, Maniklal Paul গী দুকান মমিং পনবদা মখোয় ঙক্তক তৌই। ঐগী অপোকপনা হায় ঐদি কুমজা ১৯৪৭তগী অদুম চেনদুনা লৈ। মোই থাজখ্রে। ঐখোয় য়ূমগী terrace মথক্তা পুখৎতুনা ইম্ফাল সিটিগী য়ূমশিং য়েংহল্লি। ভাবিদুনা হঙ্গৎনা য়েংবদা নীংথিরবা হিগোক মচুগী অতিয়া উবদা তপ্না হায়রকই। শ্বর হোনবা য়াম্না নুংঙাই মণিপুরসে। কোলকটাদদি অসিগুম্বা হিগোক মচুগী অতিয়াসি উবা ফংদে।

মথংগী নুমিত্তা লোক্তাক য়েংবগী প্রোগ্রামদো ঐখোয়গী কারদুদা চৎপা তারে। ঐনা দ্রাইভর ওইরে। লোক্তাক্কী ফজবা উবদা মখোয় পুমঙাও ঙাওখি। মখোয়না অকোনবদা ত্রাইবেল ভিলেজ য়েংনীংই হায়রকপদগী চুড়াচান্দপুর রোমদা হাইথরে। গাড়ীদগী কুমথদুনা খোঙনা বজারদুদা ঙহাক চৎলি। মখোয়না উনীংবা ফজবা উবা ফংদ্রে, অদুদি কৈথেলদা চঙদুনা পোৎ চৈ য়োল্লিদো য়েংলুসি হায়না চঙলুবদগী ভাবিদুনা য়াম্না থুনা হল্লসি হায়রকপগী ৱানি। মরমদি মাদি কৈথেল মনুংগী মতাই অমদা মী অরৌবা মানবা ময়াম অমা য়োনবদু উবদা মা তশেংনা কিখিবা মাল্লি। ঐনা মখোয়দা শেংদোকখি। 'মী নত্তে, মখোয়দি য়োং চাবনি, য়োল্লিবশিংসে য়োং ঙাক্তনি'। কয়াদি মাল্লে মী অরৌবা... অকোনবদা ঐনা হায়খি মখোয়দা "মীতৈদি য়োং চাদে"...! ●

-**আর কে বুধিমন্ত কর্টা**

# 'লাঞ্জেন্নবা মরক্তুদা মখোয়সু য়াওরমগদ্রা?' (#২)

ইপা-ইচা তন্না অদুম কংলা গেটতগী থোরক্লে। চৎনা চৎনা ইপা-ইচা খন্নে। কদাইদা খুরুমগনি তৌরিবসিদি। কংলা পার্ককী মপান্দুদা থল্লিবা ৱেটিং সেদতুদা ঙহাক ফমদুনা ইপা-ইচা ঙাইহাক পোত্থারি।

'কমদৌসিগে' ইচানুপাদা নাশোন পীক্লা হায়খিবনি। ফম্না ফম্না ৱাখল থোরকই। হয়িংখোংবালগী লাইনিংথৌ সনামহীগী খুভমদা লৈবা ইবুধৌ পাখঙবগী খুভমদা খুরুম্মুরসি। মদুসু অমুক চঙহল্লক্তুবদি ৱানা চৎলগা। ঈরাংসিনা লাইগী খুভম অয়াম্বা থুগাইখিবগী লৈহৌরিবশিংসি সিক্যুরিটি পীরম্বা তারে। 'অদুনদি' ৱাখল লম্মুক্নরিঙৈদা।

- ববা! কুকিশিংনা চীংয়া-তময়াগী মীতৈ লাইশঙ মখৈ থুগাইখ্রে হায়বদাইনে।

- 'উম! থুগাইবদা নত্তে, মৈসু তুম্না থাদোকপীরম্লবনি।'

"অদুদি মখোয়দি লাঞ্জেন্নবা য়াওরম্লোইদ্রা? মখোয়গী রিলিফ কেম্পনা কদাইদা? খঙদ্রেদা! মখোয়সু থৱায় হিংনবা লাঞ্জেন্নরম্বসু কনানা খঙবা" ঐনা খুন্মী।

ঐহাক ইচাগী ৱাহংদুনা অমুক্কা হেন্না ৱাখল থোকচিল্লক্ত্রে। হল্লসি কদাই। লাই খুরুম্বা লাল্লগা লাইফম য়ৌদনা হনবা তারব্রা? ঐখোয়না ফল্লিবা ৱেটিং সেদতুগী মপা চানা অশোম সোরোক ৱাংমদা লৈবা পোলো গ্রাউন্দ তাবা লম্বীদুদা ফায়র বৃগেদ অমা সাইরেন খোংদুনা থৌদোরকই। মৈ চাকপগী মাল্লি। চেক্কোন্দা য়ূম মৈ থাই হায়বদুগী মাল্লি। ৱাখল লাকই।

"লৈরে লৈরে, খুভম লৈরে।"

ফম্মন্বদগী ফুক হৌগৎলগা ফুরিৎখাওদগী মোবাইল ফোন লৌথোকই। খূৎ নাম্মনা পায়বা ছাটিনদু ফম্ফমদা থল্লগা ইচানুপা য়াইমদা ফোন তৌই।

'ইবুংঙো তাব্রা? নখোয়গী ওফিসকী মমাঙদা লৈবা পুখ্রি ময়ায়গী ইবুধৌ পাখঙবগী শঙলেন্দু খুরুমজবা য়াগদ্রা? ননাও নুপাগী করিগুম্বা অমত্তা কৎথোক্কে তৌবনি, ঐখোয় হৌজিক কংলা পার্কতা লৈ'।

- কাকা! য়াবা য়াইনা ওথোরিটিদগী অয়াবা লৌরগা, ফোন অমুক তৌরক্কে।

খল্লি ৱাখলসিনা হন্দক্কীগা য়ারক্ত্রবদি ঙসিগী ইচাগী লাই খুরুম্বসিদি কাইরেদনা। ইশাগী ফূরুপকী লাই খুভম ফাওবা খুরুমজবা ফংহনখিদ্রবা। হে! লান, লান নঙবু লোইখিরোইদৌরিব্রা? পাউখুম ফংদ্রবা ৱাহংনি থম্মোয়দা হংজখিবা। ফোনদা ক্রিং ক্রিং খিংঙকপদা ৱাখল কায়খি।

"কাকা! য়াররনি লাই খুরুম্বা, চংঙকও"

হরাওবনা হায়ফম খঙদবমখৈ ফম্মন্বদগী ফুক হৌগৎলগা ইচানুপাগা ম্যেন রোদ লান্থোক্লগা ফায়র বৃগেদকী ওফিস তম্না লাকই। পরপ পরপ চৎলি, মফমদু য়ৌরে। ইচানুপা য়াইমনা গেটতা ঙাইদুনা লৈরম্লে। খূৎলৈ থুনা চঙমিন্নদুনা ইবুধৌ পাখঙবগী ইকোন (পুখ্রি) য়ৌরে। চাউরবা ইকোননি, ময়ায় চপ চানা পীক্তক্লা নান্না লাইশঙ অমা লৈবা উই। পুখ্রিদুগী মপান্দা লৈবা থাক থাক নাইবা কাফম অদুগী মনাক্তা ইপা ইচাগী তোঙলকপা খোঙউপ মোজা থনম্লগা খূৎ শা শেংনা হামদোক্লগা পুখ্রি ময়ায়গী ইবুধৌ পাখঙবগী খুভম ওইরিবা ঈথৎ মচাদু তান্না চৎনবা মথক কুপ্পা ফজখ্রবা থোং মচা অদু লানবা হৌরকই। খরা চৎলগা থোংগী ময়ায়ৱাইদা নাক য়েৎতা ঙাইহাক পোত্থাফমসু লৈ। মদুদা ঙাইহাক মীৎকুপ অমত্তং ফল্লগা নাক য়েৎতা উরিবা ঈশিংদুদা মখল খুদিংগী ঙাশিংনা চারদুনা শান্নরিবদু য়েংলুই। পোরোম, রৌ, কটলা, তুংহনবীশিং অদু য়েংবগী পেনবা নাইদ্রে। থাদরুবা নাইদে হায় ঙাশিংদো। মফমদো ইবুধৌ পাখঙবগী খুভমদা খুভম মাল্লি। ঙাশিংদো কোইচেন কোইচেন চেল্লি। লাইরেন মতুং ঙাইনবদৌনসু তৌই। ইথৎ মচা অদুগা শম্নরিবা থোং মচা অদু ইচানুপানা তম্বদা ওক্রম হেনরিনা কৎপনি হায়।পীক্তক তৌবা লাইশঙদু য়ৌরগা ইচাগী কৎচগে পুজরকপা হৈরাং লৈরাংশিং অদুগা কোন্ননা মচিন তুম্বা তা মচাদুগা লোয়ননা ইকোক নোন্দুনা থম্মোয় শেংনা ইপা ইচা ইবুধৌ পাখঙববু থাগোন্নজদুনা ইচাগী শোয়দ-ঙামদনবা থৌনিজখি। ●

-**ওক্রম ভগিরথ**

# 'ফাগিগী মতম নত্তে' (#২)

অমরোমদদি মখোয় অসি শিংউ হায়বা য়াররোইদবা, মনীং মমাঙ হোত্রোং হোরবা উতোং পুদুনা ঈশিং শোকপা চৎলিবা কৈবু কৈওইবগুম্বনি হায়নীংই। মরম অদুনা অসিগুম্বা অশিংবা শাবা অপঙবা থবক তৌরক্লিবা মীওইশিং অসিগী মতৌ অসি নোক্লিংবা ফাগি অমনি হায়নীংলক্লিবসি। মণিপুরদতা নত্তে, মালেমগী মফম অয়াম্বদা অপঙবশিংনা খুন্দাই। মরম অদুনবু মালেম অসিদা লান হায়বদু ঙসি ফাওবা লোইবা খম্বা নাইদ্রিবনি। য়াম্না নুংঙাইনা ঈংনা লৈজবদু পামদ্রদুনা অরেম্বদা মতম, শেল অমদি পাঙ্গল তিংথোক্তুনা চাফম থকফম খঙদদুনা কোয়চেন চেনবতা নত্তনা মশাগী মফূরুপকী নুপী অঙাং অশোন অনা কয়াবু অৱাফমদা তাননবা শিল্লিবা মখোয়দু খ্বাইদগী অপঙবা নৎত্রিবরা? ঐনা করিগুম্বা মতমদা লৈকায়গী ওইরবসু মীয়ামগী মীফমদা মীওই মখল খরা য়াওবা হেক হেক থেংনৈ। ময়াম্না অচুম্বা ৱাফম ফোঙদোক্লরিঙৈ মতমদা চুম্মী চুম্মী হায়দুনা মঙক নোমগনি। অদুগা মীফমদু লোইরগা মমায় হেক লৈথোকখিবদা - ওইসু ওইরোইদৌবদা, মৱা লৌদেদা হায়দুনা মশাগী মশক মচু অদুদা শৎ হঞ্জিনখিবা। মসিগুম্বা নোক্লিংবা কাঙবুসি ঐখোয়গী লমদম অসিদসু য়াম্না লৈ। লৈবাক ঙাক্লোন শান্নবশিংগী মরক্তগী খরা খিৎ মহেল্লি। ইরৈবাক্কী অপূনবা শক্তম ঙাক্কনি তৌগনি হায়না ৱাশকখিবা এম পি, এম এল এ, মন্ত্রিশিংগী মথক্তা মণিপুরগী মীয়াম্না খম থেংনা পেন্নরক্ত্রিবসি খুদম অমনি। অশিংবা মীশক অমনা কৈদৌনুংদা মহাক্কী ফত্তবা ৱাখলদু মপাল থোক্লা অতোপ্পা কনাগী মফমদসু উৎলোই। মদুনা মহাকপু ফত্তবা মীশক অমা ওইনা উখিগনি হায়না মশা মথন্তা থেমজিঞ্জনবা হোৎনৈ। মহাক্কী তুংগী লাক্কদবা খুদোংচাবা কয়াগী খল্লুরগা অচেৎপা ৱাশক ঙাকই। তঙাইফদ্রবদি মহাক্কী ফজবা মশক অদু উৎননবগীদমক মরৈবাক্কীদমক থৱায় থাদোকপদা পাম্মুবা লৈতে। অসিগুম্বা অশিংবা মীশকশিং অসিগী মপান্ননি লমদম অমবু নুংঙাই য়াইফনা তংদু লৈতানা হিংবা ঙমহনগদৌরিবসি। মতাং অসিদদি ঐখোয় মীতৈশিংগী ইপা ইপুশিংদি য়াম্না শিংলন্থ্রা হায়না খল্লি।

অপঙবা কদাইবু কৌবগে হায়বদু খঙনা 'পঙনা পাল্লি হায়দুনা তাইপঙপান হায়না কৌরম্মী' হায়নৈ। অপঙবশিংগী মতৌ উরগা নুংশিবসু লৈ, শাউনীংবসু লৈ, নোক্লিংবসু য়াম্না য়াওই। থাঙ্গেশেংনা অপঙবা ওইদুনা তৌরুবা থবক্তি অশোয়বদুগীদমক উবদা নুংশিবা ফাওই, অদুগা তাকপীরবদি শিংই। পঙদা পঙখ্রবা তাকপীবদা শিংউ য়াদ্রবা মখোয়দুবুদি শোইনাইরবা হায়বদু ওইখ্রে। অদুগা খঙনা খঙনা পঙশিন্নবশিংদুনা তাকপীরিবদুদা অহে অপা শাদুনা অমুক ওনখৎলক্তুনা নাপল তৌদুনা তাকশিল্লকপদুদদি অসুম শাউনীংলম্বদগী নোক্লিংবা ফাওরকই। হন্দক্তি নোক্লিং নোক্লিংবা থৌদোকসু য়াম্না থোকই।

মণিপুরগী পুৱারীদা অমুবা মচুনা ময়েক লানা ইদুনা লৈহৌরগদবা নীংতম্লবা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা লৈনা লৈনা মীরৈবাক অমদগী মীরৈবাক মচা খুজোক খরনা লান্দারক্তুনা ইরমদম মণিপুরবু কাং খোং চাইবগী অমম্বা তাংকক অসিদা অপঙবশিং শুদোক চামথোল্লবা পোৎশক অমগুম্না ময়েক শেংনা চোংথোরকই। অসিগুম্বা মশাগী মশক মতৌ ময়েক শেংনা শেংনা উৎখ্রবা অপঙবশিং অসিদা অমুক হন্না লৈঙাক্কী থৌদাং শিন্নরকপা মতম অদুদনি লমদম অসিদা অপঙবতনা পীক থনখ্রবোইরে হায়না খঙনরক্কদৌরিবসি।

মথক্তা হায়জখিবগুম্না অপঙবতনা থল্লবা লমদম অমা হায়বসি ফত্তবতনা পীক থনখ্রে হায়বনি। অসুম্না উনা উনা, খঙনা খঙনা অমাংবা নেৎলকপা অসিদদি নোক্লিংবা হায়বদু অমুক লাকই। অসিগুম্বা মতম অসিদা করিগী নোক্লিংখ্রিবনো? অচুম্বা ৱাফম অমদি লম্বী তাকপীবদা খঙনা খঙনা লৌদবদগী অসুম অসুম শাউনীংলক, শুক্লৌ হেক লৌরক্ত্রবদুদদি নোক্কদৌদা ঙাইরে হায়দুনি। লৈঙাক্লোন শান্নবা কাঙবুনা এগী কাঙবুদা কুইনা লৈরম্লগা এদগী হেক তোকখিবগা মশানা মশাবু এগী কাঙবু শুকওই ওইরক্তবগুম্না অফবা অচুম্বা তৌবা মীশক অমগুম উৎননবা হোৎনদুনা এদা ওনশিল্লগা মরাল শীদুনা চৈবসিসু অচৌবা নোক্লিংবা ফাগি অমনি। খ্বাইদগী পঙলিবসি মসিগী মপান থোক্লা উৎলিবা তাৎ-পাৎ অসিবু মীয়াম্না খঙলরোই খল্লিবা মখোয় অসিনি। হৌজিক্কী লৈবাক ঙাক্লিবশিংগী মরক্তা অসিগুম্বা খ্বাইদগী পঙলবা নোক্লিংবা মীশকশিং অসি অদুম য়াওরি।

ঐনা মীতৈলোল ফিল্ম অমা য়েংখি। ফিল্মদুদা লাইফদিবী অমা ইম্ফালদগী লৈদুনা দেল্লীদা পুবা উৎলি। দেল্লী য়ৌরবা মতমদদি লাইফদিবীদু চাউবসু হেনগৎখ্রে মওং মতৌসু খেন্নরে। মসি ফিল্মদুবু নল্লিবা কাঙবু অদুনা ফিল্মদুবু য়েংগদৌরিবা মীয়াম্বু অপঙবা করিসু খঙদবা অমগুম লৌদুনা থৌওইদবগী নমথাক ওইরবা নোক্লিংবা ফাগি অমনি। মসিগা চপ মান্নবা ফাগিনি ঙসিগী লৈঙাক্লোন শান্নবশিংনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামদা তৌরিবা ফাগিসি। চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিলগী থা লোইরকপদগী হৌনা মণিপুরগী মীয়াম্নদি করিগুম্বা খরা লাক্কদৌরে হায়বসি চিংনখি। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্লা থৌশাখিদে। মখা তারকপদা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম ঙাক্কনি হায়না এসেমব্লিগী লৈমায়দা লেপ্তুনা ৱাশকখিবা এম এল এ ৬০গী মরক্তগী কুকি এম এল এ অমদি মিনিষ্টর য়াওনা মখোয় ১০খক্লা মণিপুর থুগাইনবা কোয়চেন চেন্দুনা ইফোং ফোংনা লাম্মী খূৎপু শেমগত্তুনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়োক্তা লালহৌলূপ অমগুম্না ৱা ঙাঙলবসু মণিপুরগী লৈঙাক্লা মখোয়গী অশোনবদু ইফোং ফোংনা উত্তুনা মখোয়গী মথক্তা থবক অমত্তসু লৌখৎপা ঙমদনা মমৈ মক্রাংদা লোত্তুনা লৈরি।

-**মোইরাংথেম নেত্রজিৎ মীতৈ**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।